# শেন্দোং লৈনা ওক্কী ফার্ম লীংনবা থৌরাং

**ডো. সরাংথেম জেসমারানি**



শেন্দোং লৈনা মায় পাক্লা ওক পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবদি য়োক্কদৌরিবা ওকশিং লায়না তীলনা চেন্দনা মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবনি। লায়না তীলনানা ওকশিংগী মচা পোকপগী শক্তি, চাউজন ফবগী চাংদা অকনবা চৈথেং পীবদগী ওক লোয়বদা অমাঙবা ওইহল্লি। ওক লোয়বগী কাঙলোনশিং চপ চানা ঙাক্তুনা য়োল্লবদি শাথিরবা লায়না তীলনা অয়াম্বা চংহন্দবা নৎত্রগা ঙাকথোকপা ঙমই। কাঙলোন চুম্না মকোন শাবীবা, অফবা মচিঞ্জাক পীবীবা অমদি লু-নানবনা লায়না থোকহন্দবা অমদি থোরল্লবসু শাথিনা শোকহন্দবদা মতেং পাংই। মরম অসিনা মশা মউ ফরবা অমসুং শেন্দোং লৈরবা ওক্কী ফার্ম অমা লীংবদা চঙগদবা থৌরাংশিং মাঙজৌননা নীংথিনা শেম শাদুনা থন্বীগনি।

**ওক্কোনগী মওং কাঙলোন চুম্না শাবা ঃ** ওক্কোন্না ওক্কী লায়না তীলনা হন্থহনবদা মতেং য়াম্না পাংই। ওকোন শারমদাইদা ওকশিং মশা-মউ ফনা হিংবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা নীংথিনা মকোন শাবীবা তাই। মসিগীদমক মখাগী থৌরাংশিংসি শেম শাবীগনি।

ক) ওক্কী ফার্ম খুদিংমক লমহাং তুমহাং, পাৎথি কোমথিদা পংচা চাদুনা হিংবা অতোপ্পা ওকশিংগী লৈফমদগী লাপ্না শাবীগনি।

খ) ফার্মগী অকোয়বদা শক খঙদবা/অনৌবা মী অমদি শা/গাড়ীনচিংবা চঙবা ঙমদনবা চেকশিন্না শন্বল খাবীগনি।

গ) ওক্কোনগী কা শাবদা চহী অমদি চাউবা মান্নদবা ওকশিং তোঙান তোঙান নুংঙাইনা লৈবা য়ানবা মতম খুদিংদা লূ-নান্না থম্নবা শেংদোক শেংজিন তৌবদা খুদোং চান্নবা শিনবীগনি।

ঘ) ওক্কোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাংনা ওকশিংদা অশোক অপন থোকহন্দনবা শেম শাবীগনি।

ঙ) ওক অমগী লৈফম থোকপা পাক চাউবা নীংথিনা থন্বীগনি। মসিদা চিন্না থল্লগদি লায়না তীলনা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাংই।

ওক অমগী দরকার ওইবা লৈমায়গী পাক চাউবসি ওক্তুগী চহী চাউবগী চাং অমসুং য়োকপদা চঙগদবা সেবাগী মতুংইন্না খেন্নরকই। অসুম্না ওক মখলগী মতুংইন্না দরকার ওইবা লৈমায়গী পাক চাউবদু মখাদা থমজরি :-

ওক মখল

| | | লৈমায়গী পাক চাউবা (স্কার ফুট) |
|---|---|---|
| ক) | মচা খাইনরবী মপী অমগী কা | ২০দগী ৪০ |
| খ) | মপী অমগী মচা পোকফম কা | ৩৫দগী ৪০ |
| গ) | মপী অমসুং মখোম থক্লিবা মচাশিং পূন্না লৈফম কা | ৫০দগী ৮০ |
| ঘ) | মপীগা খাইনবদগী কিলো ৫৬ ফাওবা লুম্বা ওক অমগী কা | ৪দগী ১০ |
| ঙ) | কিলো ৫৬তগী কিলো ৯০-১০০ ফাওবা লুম্বা ওক অমগী কা | ৮দগী ১৬ |
| চ) | মপাশা অমগী কা | ৪০দগী ৫০ |

**করম্বা ওক লৈবীগনি ?**

নৌনা লীংখৎপা ফার্ম অমগী অনৌবা ওক খুদিংমক লায়না তীলনা, মহীক মতাই চেন্দবা মশক খঙলবা ফার্ম অমদগী লৈবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। অতোপ্পা ফার্ম অমদগী অনৌবা অফবা ধারা পুশিনবা তারবদি হান্না লৈরম্বা ওকশিংগী মরক্তা পুশিন্দ্রিঙৈদা তোঙান্না লাপ্না থা অমরোম থল্লগা লায়না চেনদ্রে খঙলগা পুল্লপ থন্বীগনি।

**মচা পুথোক্কদবা লাবা অমসুং অমোম :**

পোকপদগী লায়না তীলনাগী খুদম ফংদ্রবা অমদি চাউরৈ কনবা হাতম অমসুং লাবা খনবীগনি। শাওং শাবান, খোমজিন অমদি মপান্থোংগী ওইবা অশোয়বা কয়া চেক তৌবীগনি। ওকশিং লেপহনবা মতমদা মখোঙ মখূৎ চাং মান্ননা লীংবা, খুদা ফজবা অমসুং খোঙশা মরিমক চাং মান্নবা খনবীগনি। চাং মান্ননা চাউবা খোমজিন ১২ দগী তাদনা পানবা, পোকপদগী নুমিৎ ১৬০ নি শুবদা ফজনা চাউথোল্লবা চাবোকথোঙ ওইবা হাতম খক্তা খনবীগনি। মচা পুথোক্লবগীদমক হাতম য়োকপদা মখাগী কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎকদবনি।

ক) পোকপদগী থা ৬ শুরকপদা অফবা হাতম খনবীগনি। খল্লবা হাতমশিংগী ফার্মদুদা হান্নদগী লৈরল্লবা চহী লীরবা ওকশিংগী মরক্তা থাজিনবীগনি। অসুম্না হাতমশিংদুগী অনীরক শুবা হীট লাকপা ফাওবা ময়াম মরক্তা থন্বীগনি। মচা লৌদ্রিঙৈদা চহী লীরবা ওকশিংগী মরক্তা লৈরগদি হাতম চাগোক্তা য়াম্না থোক্কনবা মচা শিনা পোকপা, এবোর্সন তৌরকপনচিংবা থোকহনবা পরভোভায়রসকী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা নেচরেল ইম্ম্যুনিতি ফংবা ঙমই। অসুম্না ময়াম মরক্তা লৈরিঙৈদা অহুল্লকশুবা হীটতা মপাদা থাজিনবীগনি। গর্ভ পুরিঙৈদা চহী লিরবা ওকপীশিংগী মরক্তা লৈবনা নৌনা পোকপা ওক্লাওশিংগী মরক্তা লৈবা নৌনা পোকপা ওক্লাওশিংগী খোমথী ফায়হনবা লায়না কোলাইবেশিলোসিসকী মহীক ইসকেরিচিয়া কোলাই ঙাকথোকপা ঙম্বা নেচরেল ইম্ম্যুনিতিদু মপী অদুদগী অহানবা নুমিৎ হুমনিগী মখোমগী কোলেষ্ট্রমদা য়াওরক্তুনা মচাশিংনা ফংবা ঙমই।

খ) অতোপ্পা ফার্মদগী পুরকপা অনৌবা হাতমশিংদি তোঙান্না থা ১ রোম থল্লুরবা মতুংদা অরিবা ওকপীশিংগী মরক্তা থন্বীগনি।

গ) করিগুম্বা মতমদা ফার্ম অমদগী লাবা অমোম পূন্না লৌবা তারগদি মখোয় অদুগী ঈ মরীদু নক্লবরা-লাপ্নবরা হায়বা অমা খঙদোকপা দরকার ওই। মরমদি ঈ মরী নক্লবা হায়বদি মমা মপা অমখক্কী মচাদু অমুক ধারা শন্দোক্লবা লোইখৎপা তারগদি য়াম্না তোয়না থেংনবা হায়বদি গর্ভনুংগী মচা শিহনবা, অশোনবা মচা পোকহনবা, মচা য়ামদনা পোকহনবা অমদি মপীনা চেল্লিঙৈদা শিবগী চাং হেনগৎহনবা কয়া অসি থোকহল্লি। মসি ঈ মরী নকশিন্নবগী চাং অদুগী মখা পোল্লি। হঙ্গৎনা য়েংবদা ঈ মরী নকশিন্নবগী দিগ্রিনা ১০% হেনগৎলিবা খুদিংগী থা ৫ শুরবা ওকশিংদা মশাগী অরুম্বা কিলো ১.৫৬ হন্থে। অসুম্না ফার্ম অমদা ঈ মরী নক্লবনা মচা লৌবা (ইনব্রীদিং) খক্তা চথুরল্লবদি ফার্ম অদুগী ওকশিং চহী খুদিংগী অসুম অসুম পীকশিল্লকই। অসুম্না ইনব্রেদ ওইরবা ওকপীশিংগী খোমথোক, চাজেন হৈবা অমদি মপী ওইবগী লিচৎ শাজৎ হন্থরকই। ইনব্রীদিংনা হাতম অমসুং মপাশা অনীমক্তা মচা লৌবা য়াবগী মতম থেঙথহল্লি। ইনব্রেদ ওইরবা মপাশাদি সার্ভিস পীবগী শক্তি য়াম্না হন্থে অমদি ইনব্রেদ ওইরবা হাতমগী হীট লাকপদা থোরকপা মচা ওইনবা মরূগী মশীং হন্থে। মরম অসিনা মচা য়াম্না পোক্তে। পোকপদা লোয়নরকপা হরনিয়া, শৌজা হুল্লক্তবা, মকোক, মখোঙ অমদি মমিৎ মনা শোয়রকপনচিংবসি ইনব্রেদ ওইরবা মপী মপাশিংগী মচাশিংদা খরা হেন্না থোক্কল্লি।

**মচা পোক্লিবা মপী অমসুং মচাশিং:**

মচা পোক্লবা মতুংদা মপীশিংদা য়াম্না থোক্কনবা লায়ওংশিংগী মনুংদা লায়হৌ তৌবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাং থোঙদগী ফত্তবা মচুম চৎপা, অমাঙবা য়ৈখৎপা অমসুং খোমজিন পোমখৎতুনা শাগৎপনচিংবা অসি উবা ফংই। মসি থোক্তনবা মচা পোক্কদবা নুমিৎ হুমনি মরিনি ৱাৎলিঙৈদগী হান্না পীজরম্বা মচীঞ্জাক অদুগী মহুত্তা চগুম-চনায়, য়ুবং অমদি থাওরেক্লচিংবা য়াওদবা চেঙকুপনচিংবা থুম খরা হাপ্লগা পীজগনি। মসি মচা পোল্লবা মতুং নুমিৎ নীনি হুমনি ফাওবা পীজবীগদবনি। মচা পোকফম কা অদু য়াম্না লু-নানবা অকংবা জগা ওইগদবনি। মচা পোকফম কাদা থাবা চরু চনায়নচিংবা বেদ্দিং অদু অকংবা অফবা ওইগনি। বেদ্দিং ওইননবা ৱায় অমদি হোরায় মকুপতি কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি। মচা পোল্লবা মতুংদা লায়হৌ তৌবগা লোয়ননা মখোম থোল্লক্তবগী লায়ওং উৎপা হৌরল্লগদি খুদক্তা মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডাক্তরগা তানবীরগা লায়েংবীগনি।



**ওক্কী ফার্ম অয়াম্বদা ওক্লাওশিংনা মপীগা খাইনদ্রিঙৈ মমাঙদা চাদা ১০ য়ৌনা শি। মসিদগী কনবা ঙম্নবা হোৎনগদৌবা থৌরাংশিংদি :**

ক) ওক্লাও খুদিংমক পোকপগা কোলোষ্ট্রম ফংহন্নবা মপীগী মখোম পীথকপীগনি। য়ামদ্রবদা পোকপগা পুং ১২ গী মনুংদা মপীগী মখোম ফংহনগনি।

খ) মচা পোকফম অমদি লৈফম কা অদু লূ নানবা অমদি মচাশিংগী দরকার ওইবা মৈশাগী চাং মতিক চানা ফংবা মফম ওইগদবনি।

গ) মপীনা মচাশিং ননখায়দনবা কাঙলোন চুম্না মচা পোকফম কা শেন্বীগনি।

ঘ) অশোনবা মচা খুদিংমক কুপ্না য়েংশিনবীদুনা মপীগী খোম ফংহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা ক্রিপ ফীদ হীদাক লাংথক পীদুনা হিংহন্নবা হোৎনগনি।

**মপীগা খাইনরবা মচাশিং ঃ**

নৌনা খাইদোক্লরবা ওক্লাওশিংদা মপীগী মখোম খঙলেপ লেপখিবা অমদি লৈফম চাফম খঙহোং হোংলকপনা মরম ওইদুনা অশোকপা লাকই। মসিগী অশোকপসি য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবা মখাগী থৌরাংশিংসি পায়খৎপীগনি।

ক) য়ামদ্রবদা মপীগা খাইদোক্লগদবা হাপ্তা অনী ৱাৎলিঙৈদগী অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবগা লোয়ননা নুমিৎ খুদিংগী পুং অমমম হেনগৎপীবা হায়বদি অহানবা নুমিৎতা পুং অমা খায়দোকপীবা, মসিগী মতুং নুমিৎতা পুং ২ অহুম অমসুং পুং ৩-৪-৫... হেনগৎপীদুনা মপীদগী লাপথোক্লবা হোৎনবীগনি।

অসুম্না অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবগী মথক্তা ওক্লাওশিংদা প্রোবাইওটিক্সসু হাপ্পীরগা পীজবীগনি। মসিনা ওক্লাওশিংগী থিরিন্দা লৈরিবা অফবা হীংকুপকী মশীং হেনগৎতুনা মশা মউ ফনা অনা অয়েক য়াওদনা লৈবা ঙমহল্লি।

অসুম্না নিংথিজনা শেন্নবীরবদি ঐখোয়না শেন্দোং লৈনা ওক য়োক্তুনা ইশানা ইশাবু থবক পীজদুনা শেন্দাল লন্বী অমা ওইহনসি। ●

# মালেমগী নোংজু নুংশাগী অওনবা থেংননবা হোৎনবদা লৌউ-শিংউগী শিনফম্না লৌগদবা থৌদাং

**ডো. ৱাইখোম জিতেন**

মালেমগী ওইবা নোংজু নুংশাগী অওনবা লাক্লিবা অসিদা লৌউ-শিংউবগী শিনফম্নসু মখল কয়াগী গ্রীন হাওস গ্যাস থাদোক্তুনা হেন্না খোঙজেল য়াঙশিলহল্লি। লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না থাদোক্লিবা গ্রীন হাওস গ্যাসশিং অসিনা অতোপ্পা শিনফমনা থাদোক্লিবা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাংগা য়েংনবদা মঙাশুবা মফম কল্লি। মরম অসিনা মালেমগী নোংজু নুংশাগী অওনবা অসি থেংননবা হোৎনবদা লৌউ-শিংউবগী শিনফমগী কাঙলোন অসিদসু অওনবা পুরক্তবা য়াদ্রি।

ঐখোয়না থারিবা মহৈ মরোংশিং অসিবু মপূং মরৈ ফাহন্নবা অমদি চাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা মতমদা শীজিন্নরিবা নাইট্রোজেন য়াওবা হারশিং অসিনা পাম্বীনা লৌশিনবা ঙম্বগী চাংগী ৱাংমদা লৌফমদা হাপ্পনা অহেনবা নাইত্রস ওক্সাইদ কয়া ঐখোয়গী অকোয়বগী নুংশিৎ (এটমোসফ্যের) দা থাদোক্লি। মসিনা মালেমগী শাবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎহল্লি। মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঐখোয়না পায়খৎপা য়াবা থৌওং খরা মখাদা থমজরি।

(ক) অখঙ অহৈশিংনা লৈবাক্তা য়াওরিবা নাইট্রোজেন কৌবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অসিবু নিংথিনা চুপখৎপা ঙম্বা পাম্বী মখলশিং পুথোক্তুনা হন্থবা চাংদা নাইট্রোজেন হার শীজিন্নরবসু পোথোক্তি হন্থহন্দনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে।


(খ) খূৎশেমগী হারশিং কা হেন্না শীজিন্নবগী মহুত্তা ষন্থি, ষণয়ুংগী হারশিং শীজিন্নবীদুনা অকোয়বগী নুংশিত্তা নাইত্রস ওক্সাইদ থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবীগদবনি।

(গ) পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইরিবা হারশিং শীজিন্নবীবা মতমদা হাপকদবা হারগী মখল, হাপকদবা চাং চুম্না অমদি হাপ্পগী মতম চানা হাপ্পবা হোৎনবীগদবনি। থৌওং অসি পায়খৎপা য়ানবগীদমক লৌকোন লৌকোনগী চাইগদবা হারগী চাং লেপথোকপীগদবনি। হারশিং অদু চাইনবগীদমক পাম্বীগী মনাগী মচুদা ওল্লক্লিবা মওং অদু য়েংবীরগা হার চাইবগী হৈনবী লৈনবা হোৎনবীগদবনি।

(ঘ) চাং নাইনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীদুনা মফম অদুগা চান্নবা মখল অমদি চাংগী হারশিং চাইবীনবা হোৎনবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পাম্বীগী মখলশিংগী তোঙান তোঙানবা হারগী চাং লৌমীশিংদা ফংহন্নবা হোৎনবীগদবনি।

(ঙ) হেন্না ফবা মখলগী হারশিং খুদম ওইনা য়াম্না থুনা তুমগন্দবা মখলগী হারশিং শীজিন্নবীদুনা থাদোরল্লিবা হারশিং অদুবু পাম্বীনা লৌশিনহন্দুনা অকোয়বদা মোৎশিনহন্দনবা হোৎনবীগদবনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অহেনবা হার শীজিন্নবনা নাইত্রস ওক্সাইদ থাদোরকপা, মসিদা নত্তনা অহেনবা হারশিং অসিবু পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা গ্রীন হাওস গ্যাস মখল কয়া অমা ঐখোয়গী অকোয়বদা থাদোক্লি। মসি শীজিন্নগদবা হারগী চাং হন্থনা পুথোকপনা, পুথোকপদা থাদোরকপা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাংসু হন্থহনবা ঙমগনি। অমরোমদা অমুক অহেনবা হারশিং অদু পুথোক পুশিন তৌবদা থাদোরক্কদবা গ্রীন হাওস গ্যাসসু হন্থহনবা ঙমগনি।




শজিক চাবা মখলগী শাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ইরোই, ষণ, হামেং, য়াওনচিংবশিংনা মখোয়না চাখ্রিবা চিঞ্জাকশিংদা য়াওরিবা কার্বোনহায়দ্রেদকী শরুক খরা তুমহন্নবা হোৎনবা মতমদা মিথেন হায়বা গ্রীন হাওস গ্যাস অসি থাদোরকই। অসুম্না শা-ষণশিংদগী থাদোরল্লিবা গ্রীন হাওস গ্যাস অসিনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না থাদোক্লিবা অপূনবা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাদা ৪০দি থাদোক্লি। মরম অসিনা শা-ষণশিং অসিবু য়োকপা মতমদা হেন্না ফবা, থুনা তুমগদবা মখলগী মচিঞ্জাশিং পীজবীদুনা শা-ষণনা থাদোক্লিবা মিথেনগী চাং অসি হন্থহনবীগদবনি। অসুম্না কান্নদবা অহেনবা শা-ষণ থম্বা অমদি শাদোংগীদমক শা-ষণ য়োকপগী মহুত্তা অতোপ্পা শগুপ শাইবা নত্তবা শা-য়েনগী শাদোং পুথোকপদা হেন্না মায় ওনশিনবা মতম য়ৌরে।

মালেমগী ওইবা নোংজু নুংশাগী অওনবা অসি থেংননবা হোৎনবা মতমদা লৌফম অদুগী ওর্গানিক কার্বোনগী চাং ৱাংখৎহনবসিসু তঙাইফদনা তৌদ্রবা য়াদ্রবা থৌওং অমা ওইরে। থৌওং অসিগীদমক লৌ উনরিবা মফম, উমংগী শরুক অমদি শঞ্জাবুংশিংদা য়ারিবমখৈ পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং মাঙহন্দনবা হোৎনবীগদবনি। অসুম্না ওর্গানিক কার্বোনগী চাং ৱাংখৎহনবসিনা মফম অদু তুং কোয়না লৌ উবা য়াবা মফম অমা ওইহল্লি। লৈবাক লৈহাও মাঙখিগদবদগী কনবা ঙমই। লৌফমদা ঈনিল কুইনা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙমই অমদি পোথোক হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা নোংজু নুংশাগী অওনবা অসিনা লৌউ-শিংউবদা পীবা চৈথেংশিং থেংনবদসু অচৌবা মতেং পাংই।

গ্রীন হাওস গ্যাস হায়রগা খঙনবা মালেমগী নোংজু নুংশাগী অওনবা পুরকপদা থৌদাং য়ারিবা নুংশিৎ মখল অসি পুথোকপদা ফৌ থাবনসু অচৌবা থৌদাং য়ারি। লৌউ-শিংউবগী শিনফমনা পুথোক্লিবা অপূনবা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাদা ১১দি ফৌ থাবনা পুথোক্লি। ফৌ থাবা মতমদা মতম কুইনা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবনা মরম ওইদুনা মিথেন হায়রিবা নুংশিৎ মখল অসি পুথোকই। অমরোমদা অমুক মালেমগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৪০দি ফৌগী পোথোক চাদুনা হিংলিবনি। মরম অসিনা ফৌ থাবগী কাঙলোনদা অহোংবা পুরক্তুনা গ্রীস হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং হন্থহন্দুনা মালেমগী নোংজু নুংশাগী অওনবা অমদি থেংনমিন্নবগী মতম য়ৌরে।

থৌওং অসিগীদমক ফৌ থাবদা ঈশিং চনবগী মওংদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনবা তাই। লৌফমদা ফৌ থাবদগী লোকপা ফাওবা ঈশিং তুংহন্দুনা থম্বগী মহুত্তা ঈশিং অমুক থম, অমুক কংহন, লৌফম অদু ঈনিল খক লৈহনবগী মওংদা থন্বীবা নৎত্রগা তঙাইফদনা ঈশিং থমদবা য়াদবা মতমদা খুদম ওইনা ফৌনা মচা পোকপা মতম, ফৌনা মপাল শাবা মতম অমদি মরূ চংলকপা মতমনচিংবখক ঈশিং থন্বীদুনা অতোপ্পা মতমদা কংহন্দুনা থন্বীরবদি মিথেন থাদোকপগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি।

ফৌ থাবদগী থোরল্লিবা চরূশিং অসি অয়াম্বনা মৈ থাদুনা মাঙহল্লি নৎত্রগা ঈশিং লৈরবা মতমদা লৌফমদা খোইজিল্লি। থৌওং অসিনা গ্রীন হাওস গ্যাস হেন্না পুথোকপদা মতেং পাংই। মরম অসিনা ঐখোয়না চরূ অসি তেন্না ককপিরগা কংলিঙৈদা লৌফমদা খোইজিনবীবা, কম্পোস শেম্বা নৎত্রগা কোমগুম্বা অমদা পৈশিনবীরগা মথক অদু লৈবাক শীজিন্নবীদুনা বাইওচার হায়রগা খঙনবা কার্বোন য়াওবগী চাং য়াম্না ৱাংবা পোৎলমশিং পুথোকপীদুনা লৌফমদা অমুক হাপ্পীবা য়াই।

ফৌদা হার শীজিন্নবীবা মতমদা দরকার লৈবা চাং অদুতমক মতম চানা অমদি মওং চুম্না হাপ্পীবনসু গ্রীন হাওস গ্যাস থাদোকপা হন্থহনবদা মতেং পাংই।

মসিগা লোয়ননা ফৌখক থাবগী মহুত্তা অওন পোত্থা (ক্রোপ রোটেসন), হেন্না চাথোক লৈবা ফৌ মখলশিং থাবীদুনা ফৌ থাবা, ফৌ (এরোবিক রাইস) নচিংবা থৌওংশিংদা মায় ওনশিনবা মতম য়ৌরে।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওং ময়াম অসি পায়খৎপীদুনা লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না পুথোক্লিবা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাং অসি হন্থহন্দুনা মালেমগী ওইবা নোংজু নুংশাগী অওনবা লাক্লিবা অসিদা থেংনমিন্নবগী মতম অদু য়ৌরে। মরম অদুনা শিনফম অসিদা লৈবিরিবা খুদিংনা হেন্না ফবা কাঙলোন শীজিন্নবীদুনা মালেমগী নোংজু নুংশাগী অওনবা (ক্লাইমেট চেঞ্জ) অসি পূন্না থেংনমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।